# "মমায় শঙউন তোপ্পা কুকি ফূরুপ"



**– এল ইবোমচা –**

নুংঙাইথোকপা য়াম্না পান্বা মীতৈশিংনি হায়বসি হন্দক্কী লান অসিদগী চপ চানা খঙলে। মীশি-মীনাগী, মীকপ-মীরাওখোলনা নীল্লবা, মীৎকী পিরাংনা খুজেং য়ৌরবা, ঈনা খোংলম ওইদুনা চেল্লবা, অশিবা ময়ামগী মথৌ মঙম পাঙথোকপগী মীৎকী-পি কংদ্রিঙৈ তাল্লকসিদা তৌরসু য়াবা, তৌদ্রসু য়াবা থৌরম ময়াম অমা অৱা-অনা পূন্নমক নাকলদা থৈদোক্তুনা থল্লগা চাউনা-চাউনা পাঙথোক্লরি। লাইগী মিংদা পিরাং তৈথোক-তৈথোক্লা অঙাংগী মনা হুৎপা, চূড়াকরণ পাঙথোক্লরি। তৌগে মতাগুম কুম্মৈগুম্না লুহোংবা, বর্থ-দে চাউনা-চাউনা পাঙথোক্লরি।

অমরোমদা, ধর্ম্মগী মতুংইন্না চূড়াকরণ, অঙাং মনা হুৎপা, লাইমিং লৌবা হায়বসি হৌনবীনি। মহৌশাদগী হৌনা মীতৈগী ইমুং খুদিংদা তৌদুনা লাক্লবনি। মহৌশা পাঙথোক্লম্বনা মশা-মশাগী ইমুংদা নৎত্রগা লাইগী মন্দিরদা চৎলগা পাঙথোক্লরম্মী, অতোপ্পা মীওই চেন্নহন্দে। হৌজিক্লা খঙন-চান্নবা মরুপ-মপাং কয়াদা চেবাউ তৌশিন্দুনা মী চেন্নহল্লে, মীওই ৩০০/৪০০ রোম চেবাউ তৌশিন্দুনা ঙা, য়ুঙাং য়াওবা চাক্লেন চাউনা-চাউনা পাঙথোক্লরি। মীতৈশিং অসি ঙক্তে হায়বা ঙম্লোই হায়বদি পোৎপাং লুপা ৫০০ পীগনি হায়না লাক্লরিবা মীওইশিং অদুনা তৌরম্লিবা, লাংলম্লিবা ময়াম অদু উরুবদগী মী অমনা লুপা ৫০০ চৎপী নোট অনী-অনী পীবা হৌনখিবদগী মী অতৈসু মথং-মথং পীনরকই। অসি য়ৌনা হা-কার লাউনা ৱানরবা লৈবাক কন্নবা হোৎনবদা থৱায় কয়ামরুম থানখ্রবা লাল্লকসিদা শেন্দোং খরগীদমক তৌরসু য়াবা, তৌদ্রসু য়াবা কর্ম্ম কয়া অসিবু তৌগনি খল্লিবা হে-কর্ম্মধারি নখোয়দদি মপোক-মপোক খুদিংমক্তা মণিপুরদা হন্ন-হন্নাপোক্তুনা অসিগুম্বা কর্ম্ম ময়াম অসি তৌদুনা ইমা লৈবাক মণিপুরগী থৌগল তৌবা ওইয়ুকো হায়না য়াইফ-থৌজাল পীনীংই। নোংমৈ মখোল তাদবগী ৱাতনি হৌজিক লান লোইদ্রি।

হন্দক্কী লান অসিদগী খঙহৌবা য়াবা পাড়া অমা হায়বা তারবদি মণিপুরদা লৈরিবা মীতৈ নুপীশিংগী মথৌনা মরিংজেল অসি নুপাদগী করিসু তাদে হায়বসিনি। হায়বদি খুল ঙাকপা য়াওবদা নুপীশিং ময়াম অমা য়াওরক্তুনা লন্বী থৎতুনা অমদি য়ূম য়ূমশিংদা চঙদুনা লাঞ্জেন্নবশিংদা চাবদা থকপদা মতেং পাংনবা অমদি লান্দা চঙবা মচাক মথুমশিং লৈবদা মতেং ওইনবা শেল খায়বা অমদি কুকিশিংনা লান্দারকপদা থিংনবা মৈরা শঙদা অহিং য়ারেকপগী থবকশিং তৌখিবা অদুনি। অদুগা কুকিশিংগী নোংমৈ গুল্লিনা পান্দুনা শিখিবদগী মচা কায়নরবী মমা কয়ানা মচাশিং কায়নবগী পিরাং মরক্তা ইচা কায়নবগী থম্মোয়দা করিসু ৱাবীদে মমা লৈবাক্কীদমক মথ্বায় থাদোকচবা ঙম্বা ইচা পোকচবগী চাউথোকচৈ হায়রকখিবা অদুনি। অদুগা কাঙচুপ চীংখোঙদা শোক্লখিবা লান্দা কুকিগী নোংমৈ গুল্লিনা শিখ্রবা নহা অমগী মমা অমনা মথৌনা ফবা ইচাদু মমা লৈবাক্কীদমক শিখিবনি মদুদা ঐ ৱাদে, ইচা অমা শিখ্রবসু ইচা ময়াম অমা লৈরি হায়খিবা ৱাফম অদু নুমিৎ থানা হেক লৈরিবমখে ঐখোয় পূন্নমক্লা নীংশিংদুনা লৈরগনি। অদুনদি মালেমদা মীতৈ নুপাগা চাংদম্নবা য়াবা নুপী অমত্তা লৈতে হায়না চাউথোক্লা হায়বা য়াই।

লান মনুং ওইরবসু লুহোংবা হায়বসি হোংদবা য়াদে হোংবা তাবনি। অদুবু লৈবাক অসিদা থোক্লিবা তমথীরবা থৌদোক ৱাথোক অসিগীদমক্তা খরা খজিক খন্থবীয়ু হায়বনি। ইচাগী-ইশুগী অমুক্তং থোকপা লুহোংবদা ইজৎ লৈনা লুহোংবা পাল্লমগনি। য়ূম-কৈ নীংথিনা মকে শেম্মিংলমগনি, লমজাও সড়কতা শগোল শামু তোংদুনা চাঁন্দি চৎপী চায়নীংলমগনি। বজাই-বেঙ্গুল খোংদুনা মীয়াম মমাঙদা লেন্নদুনা হোংনীংলমগনি। অদুবু হোংদবা য়াদবা লুহোংবনি হোংবীয়ু তৌবদি অশি-অনা মরকসিদা ধুম-ধাম, পুল্লাং লাংদুনা নিল-খোঙদুনা হোংবীগনু, অৱাবা তারবশিং অসি ঐখোয়গী ইচিন ইনাও ঙাক্তনি হায়বনি।

লান অসিনা মরম ওইরগা মীতৈশিংগী খ্বাইদগী চাউবা কুম্মৈশিং ইমোইনু পুজা অমদি নিঙোল চাক্কৌবা মীয়াম হুপ্না হরাও তয়াম্না পাঙথোক্লখিদ্রে। সিনেমা, লীলা, দ্রামা, ঈশৈ নোংমাই পাঙথোক্লখিদ্রে। মসিনা মরম ওইরগা মসিদা শিনফম ওইজরম্বা মীওই কয়া অমা মানা-মানা থোকপা অতোপ্পা শিনফম কয়া পায়নখ্রবনি। মসিদা খরা হিংদুনা লৈহৌরিবা অসি লুহোংবা অমদি অশি-অনাগী থৌগল তৌবা মীওইশিং অসিখক ঙাইরবনি। মখোয় খরা অসিদি মনীং তম্না ঈশৈ শক্লরি, পুঙ থিন্নরি। মখোয় অসিদি তৌদবা য়াদ্রবা অদু ওইবননি। মসিদা হায়নীংলিবদি অশি-অনাগী থৌদোক নত্তনা অতৈদদি সাউন্দ বোক্স খিন্দুনা ঈশৈ শক্লি, পুঙ থিল্লি। চপ মান্নবা অশিবগী থৌরমসু ঈশৈ শক্লি, পুঙ থিল্লি অদুবু সাউন্দ বোক্স খিন্দে। অসুম্না লুহোংবা পাঙথোকপদসু সাউন্দ বোক্স খিন্দনা ঈংনা-চিক্লা পাঙথোকপদা কয়ামুক কায়রবগে হায়বসিনি। থৌরম পাঙথোকফমগী অকোয়বদু নত্তনা মপান্দা অয়েৎ অপন থোকহনগনু, অশি অনা নংলবা ইমুংদুদা অসিগুম্বা অরাংবা, হরাও নুংঙাইবগী খোঞ্জেল অসি তাহনগুমসি অমদি উমংলাই হরাওবগী মিংদা মাইবীনা জগোয় খূৎথেক তম্বগী ধোন-বেন্দ সাইদদ্রমগী মখোলসি তাহনগুমসি হায়বনি।

ইমা লৈবাক মণিপুর নঙসে ওন্থোক্লসু নরাইবক থীখ্রেদা হায়না খনবসু য়াই। মরমদি ফীভম চাখিদ্রবা চিন-কুকিশিংনা খুন্দাবা ম্যান্মার কৌবা লৈবাক অমগা য়ূমলোন্নরুবা মদুগীনি। অদুগা অমনা লুক ইষ্ট পোলিসি হায়না অসুম লৈরম্বদগী সেন্টরগী বি জে পি লৈঙাক্লা এক্ট ইষ্ট পোলিসি লাউথোক্লুবদগী ম্যান্মারগী চিন-কুকিশিং অমুক্লা হেন্না মথোং হুক্তবা হেঞ্জিল্লকই। মখোয়গী ফূরুপ্না খরা নম্না খুন্দারিবা মণিপুরগী মোরে টাউন অসি মখোয়গী খুবামনুংদা থম্মিংবগী ঈখৌ লাংবসি নোংম-নোংমগী হেনগৎলকই। মসিনা মরম ওইরগা হায়জিনবগী জাৎসিদা কুকিশিং মপান নাইরক্তে। অচুম্বা মালহন্নবা হোৎনবদা অরানবা চাম্মা-চাম্মনা খুজিং ওইরদুনা ঙাঙবা শকপা হৌরকই। লাইরিক হৈবা হেনগৎলি মতিক অরানবা হিষ্ট্রি কয়া ইবা হৌরকই। ইকায়বা মশক খঙলক্তে। ইকায়বা খঙদবা হায়ববু মীতৈশিংগী লমদি তম্পাক্কী লম শরুক অসিখক্তনি হায়বা ঙম্বগী মথক্তা থাংজিং চীং, নোংমাইজিং অমদি কৌব্রু চীং মখোয়গী মপা-মপুশিংনা মখোয়গীদমক থন্বীরম্বা চীংনি হায়বা ঙম্মী। মখোয়না হায়বা ঙম্বসি কয়ামুক য়াম্না ঙম্বগে হায়রবদা হন্দক্কী লান অসিদা মখোয়না য়ূম মৈ থাদুনা, নোংমৈনা কাপ্তুনা তানবদগী খা-রাই খঙদা মথ্বায় হিংনবা লাঞ্জেন্নরিবা মীতৈশিং অমদি মৈরী থোক্লা চাক্লিবা য়ূমশিং অদু মীতৈশিংনা মৈ থাবা অমদি নোংমৈনা কাপ্তুনা তানবদগী মশা হিংনবা চেল্লিবা কুকি ফূরুপকী মীওইশিংদুনি হায়না মালেমগী মফম শিন থুংবদা পাউ শন্দোকপা ঙম্মী। অদুগা মখোয়বু মীতৈগী খূত্তগী মালেমগী মীয়াম্না অমুক্তা কনবীয়ু হায়দুনা কপশিন-লাউশিন্নবা ঙম্মী। তৌবদি কুকিশিং অসি পান্দম অমা ফংনবা হোৎনবদা অরানবা চাম্মা-চাম্মা তৌই, কপশিন্নে অমদি তুকথশিন্নে।

কুমজা ১৮১৯দগী ১৮২৬ ফাওবা মণিপুরদা চহী তরেৎ খুন্তাকপা থোকখ্রে। ঙসিনা কুকি হায়না খঙনবা মতম অদুদা অৱা হায়না খঙনবশিংগী মীওৎ মীনৈদা মণিপুর থাদোক্তুনা চেন্নখ্রবা মীতৈশিং অদু ইমা লৈবাক মণিপুরনা অৱাশিংগী খূত্তগী নীংতম্বা ফংলবা মতুংদা অমুক হন্না মরৈবাক মরমদম মণিপুরদা হল্লকপা ঙম্নখিদে। ঙসি কছার মীতৈ, ত্রিপুরা মীতৈ, বাংলাদেশ মীতৈ, অসাম মীতৈ হায়না মণিপুরগী ৱাংমদা খুন্দাদুনা লৈরিবা মীতৈশিং অসি চহী তরেৎ খুন্তাকপা অৱা লান্দা চেন্নখিবশিং ঙাক্তনি। অদুগা মতম অদুগী (অৱা) হৌজিক্লা ম্যান্মারদা লৈরিবা মীতৈশিং অসি মতম অদুগী অৱা লান্মীশিংনা ফারগা পুখিবশিংদু ঙাক্তনি।

ঙসি কুকিশিংনা সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশন দিমান্দ তাল্লিবা লমদম মণিপুর অসি হেরাচন্দ্র, য়ূমজাও তাবা, গম্ভীর সিংহ, জয় সিংহ, রাধব সিংহ নিংথৌ হাক্তক ফাওবা অৱাগী মীখা পোন্দুনা লৈরুরবা তুংদা অরোইবদা নিংথৌ গম্ভীর সিংহনা মণিপুর লেভিদগী মতেং লৌদুনা নীংতম্বা ফংহল্লমদ্রবদি ঙসি মণিপুর হায়না খঙনরিবা অপীকপা লৈবাক অমা লৈরম্লিবসি শুক্লে হেক লৈরম্লোই। অদুগা তৌবীমল মশক খঙদবা শারমচৎ চৎপা, হায়জিনবা-তৌশিন্নবা, তুকথশিন্নবা অমসুং কপশিন-লাউশিন্নবদা হৈ-শিংলবা কুকি ফূরুপ অসিসু মণিপুরদা শুক্লে হেক লৈরম্লোই। মসি মণিপুরদা সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশন তাল্লিবা "মমায় শঙউন তোপ্পা কুকি ফূরুপ-!" না খঙগদবনি। ●

# ঈরৈদুগী কাওশিং - ১

**– বীমোলচান্দ লাইশ্রম –**

*(পাবীরিবশিংনা ঙসিদগী চহী ৫০গী মমাঙগী মতম লাকশিনবীরগা ৱারীমচাসিগী মহাউ লৌবীয়ু। মতম-মতমগী অহোংবনা পূন্সিগী মশক ওলহনখ্রবসু থম্মোয়দা চুখিবা নুংশিবগী ঈথিলশিংদি ৱাখলনা হেক-হেক কাংথোরকই। মসি নুংশিগী মচৎ ওইরমান্নে। ৱাফম অমনা, নুংশি কায়না মৈশা লাংখিবা/লাংখিবীশিংনা থম্মোয় লাইমন খিৎ মহেনবনি, ওইনবা)*

ঐগী মপোক-ময়িনরা খঙদে, ঐনা ৱাখল তারকঙৈদগী ঐগী লুনা তিন্নবা মরুপ-মপাংশিংসে অয়াম্বনা নুপী ঙাক্তনি। নুপাসু তিন্নৈ, অদু ওইরসু মখোয়গী শাজৎ-লীচৎতা ঐগা খেন্নবা লৈমনখিবনা ইশানা মখোয়দগী লাপথোকচবনি। মদুমক্লা ইমান্নবশিংনালক্লবী 'নুপী মানবা নুপা, মীকিথী'। ঐ শাওখিদে, লোয়ননা ঐগী ৱাখল্লোনসু নোংমতা মখোয়দা তমথোকখিদে। অমরোমদা, নুপী ইমান্নবীশিংগদি নুমিৎ খুদিংগী য়া-য়া নোক্তুনা স্কুল চৎমিন্নৈ, শীংজু চামীন্নৈ, লীলা য়েংবা চৎমিন্নৈ। মতম হৌখিবা খঙহৌদে, ক্লাস টেন থারমদাইদগীদি ময়ামদো খজিক-খজিক লাপথোক্লখিবনা অমুক হন্না তিন্নখিদবসু য়াওখ্রে। চহী মতাংননি, টিনএজ লাইফকী চহী তাঙ্ককনি। কনামতনা তাকপীদ্রবসু মথন-মথন্নতা নুংশি-নুংওনগী য়েন্নিং হুন্নরকপা চহী মতাংনি। অমরোমদনা, তুংগী পূন্সিগী ফিরেপ শেম্মনবা তঙাইফদবা মেত্রিক পাস তৌননবা কন্না লাইরিক পানরকপা মতমনি। অহল-লমনশিংনসু কন্না শেন্নরকপা চহী মতাংনি হায়বসু য়ারে।

উচিন নাচিন্না মেত্রিকতু মার্ক ৱাংনা ফর্ষ্ট দিভিজনদা পাস তৌরে, কোলেজগী পূন্সি হৌরে। অহল লমনগী অকনবা মীৎয়েংসু কোমগোন্নরক্লে। শম্না হায়রবদা - মপীগা (মখোম) খায়নরবা ষন্নাউগুম ইশাইদোম পূন্সিগী চৎকদবা অচুম্বা লন্বী থিনা-থিনা হিংজরুরো হায়বগুম্বনি। লায়র-ইমুংগী পাখঙ ওইরুবনা ইমাদা, ইয়াম্বদা অচৌবা দিমান্দ তৌগেসু খল্লুদে। ইমানা কৈথেলগী চেঙদাইবী ওইবনা, চরা ফাওবদি হেল্লক্তে। ফজবা ফিজোল লৈবীয়ু হায়নদি হায় - হোয়সু হায়দ-মাইসু হায়দা হায়দৌ তন্দনা হায়খিদবা কোঙ্গাইনি। ঐগী হৈনবী অমনা, থীরসু-ফজরসু ঐগী লৈজবা ফুরিৎ খোঙ্গ্রাওদুদি ইচু তানা শেৎচৈ। পি তানা কপ্লগা লৈবীখিবা সেকেন্দ হেন্দগী হম্বর সাইকল-লংত্রিক লংনা শেংজৈ। কোলেজ কারে, কোলেজগী থোঙ্গালদা নুপী ক্লাসমেট অমা-অনীদি ঐবু ঙাইরমগনি। ক্লাস লোইদুনা য়ূমদা চৎলমদাইদসু ইমান্নবী অমা-অনীদি অদুম ঐগা হনমিন্ননবা ঙাইরমগনি। অদুম চৎমিন্নৈ, হনমিন্নৈ। ইশাদা লাং-ফাংগী ৱাখল শুক্লে লৈরক্তে। নোং ফাদোকসু ইমান্নবী ক্লাসমেটশিংনা অচুম্বনা ফাগি তৌরকই - "শক ফজবা ইবুংঙো, লাইরিক্তদা থৱায় য়াওমল্লবসু তুংদা নীংঙমলক্লোইকো - নঙগী নুংশি ৱাহৈ অমা ঙাইবদা - থম্মোয় ঙৌবা য়াওনরে!" ঐনসু থম্মোয় শেংনা খুমজৈ, "পোনগী পোম্বী থাক্লবা শেল পায়জদবদো, নুংশিনবসে শিকং কংনা নুংশিনবা য়াদবদো"। করি পাউখুমনেগে সিদি হায়রম্লগা নোংম-নোংমগী ঐঙোন্দগী লাপথোক্লখি।

অচুম্বমক্লি, কোলেজ কারিনি তৌরিসে নোংমতা ফুরিৎখাওসিদা লুপা ২০/৩০ ফানা হাপ্লবা শেল পীবীনবা লৈতে। ইমান্নবী ক্লাসমেট নুপীশিংনা ওফ পেরদতা কান্টিনদা ফম্লুসি তত্তনা হৌরকই, ঐ নোংমতা চৎলুদে। চৎনীংদবা নত্তে, ঐগী অশোনবা খঙহন্নীংদবগী ৱানি। নোংমদি খুদি থীবগী ৱানি। কোলেজগী ক্লাসতা মশম মতৌ খ্বাইদগী চঙখোনবী, ইকাইসু থীগনবী অনুপমানা লুচিংদুনা কোলেজ গ্রাউন্দদা তূমিন্না ফমজরিবা ইনাক্তা মখোয় অহুম ঙেক-ঙেক ফমজিল্লবৈ ৱানি। ইক-আ-ইক-আ মথোং খঙদনা ৱারী খরা শানরে। লোইরমদাইদা অনুপমানা তপ্লা, "হয়েং সন্দে নুমিৎসিদি ফ্রেন্দস টোকিজদা সিনেমা য়েংবা পুবীদবা য়াদে, ঐখোয় অহুমগা, নমান্নবা অমগা লাকমিন্নৌ, সেকেন্দ শোগী টিকেট ৫ রিজার্ভ তৌবীরম্মু, শেলসু ঐ পুথোকচগে" হায়না হায়না বেগ মচাদুদগী লুপা ৫০ চৎপী অনী থনম্বগী ৱানিসে। মমান্নবী চিনফেন ফবীদুনা - "মশক ফজবা রাজেশনা-অনুপমা কোয়য়ু য়াদ্রবনিনা অনুপমানা রাজেশ কোয় তারেদনা, তশ কমদৌই"। অতোপ্পী অমদুনা অমুক মতেং পাংশিল্লকই "লায়র মচা খম্বা ফাও মজাইবেম্মা থোইবীনা কোয়খ্রিদুদি, কৈসু কায়দেনা।" নমদনা নোংমাইজিং নুমিত্তু সিনেমা য়েংমিন্নরুরে। কাউদ্রি, আশা পরেখকা রাজেশ খন্নাগা কুমিন্নবা 'কটি পটঙ্গ' ফিল্মদুনি। ঈশৈনা মরোল অমা ফজরিবা।

নুমিত্তুদগী অনুপমাগা ঐগা হায়ফেৎ-হায়ফেৎ নকশিন্নরক্লে। ঐদি থোয়না খোয়জংলুদে অদুবু অনুপমাদি লম খরা হেঞ্জিল্লকখি। ঐসে মাতগীনি হায়না ময়াম মাঙদা লেন্নরকই। ঐ ৱাখল খনফম খঙলক্তে। নুমিৎ খুদিংগী মানা কোলেজ কান্টিনদা হুল্লিবা শেলসি ফনা য়াম্লম্লনি। হান্নদি ইকায়রম্বনি। কোন্নথংদদি ফাগি ওইনা লক্লরুই 'অনুপমা - হয়েং কোলেজ কারক্লোইদৌবা লৈর'দি কান্টিনগী ফীদু এদভান্স ওইনা পীরম্মু, নহুৎ শিনবীগে" লক্লরুব্রা হায়ববু চোপকে তৌই। ফুক হৌগৎলক্লগা, ইনাক্তা চঙলকই-

- 'ফাগিনা অশেঙবা মালহনগনু, সে থা অমগীনি' হায়রগা ফুরিৎ খাউদা লুপা ১০০ নমশিল্লকই। ঙেক লাউনা ফম্লগা মমায় খুমদুনা শুৎ-শুৎ কপখ্রে। ঐ কোকচাউবী কায়,করি হায়দৌনো খনফম খঙদনা মখুদাং পায়দুনা চিংলুই। মাসু হৌগৎতুনা ইতুং ইল্লকই। কোলেজ কান্টিনগী য়েন্নখা, সাইকল সেদলোমদা ইবান্নি চৎমিন্নরে, তপ্লা ভেরেন্দাদুদা ফম্মীন্নরগা-

"অনুপমা ঐ লানখ্রে, আই এম ভেরি ভেরি সোরি, নঙ ঐবু ঙাকপীররোইদ্রা?"

ৱাদি ঙাঙদ-মমায়দু খুমজিল্লগা হিক্ল-হিক্লা কপখ্রে। কদোমদগীনো ঐগী মিৎসিসু পিনা পুমথুম থুল্লম্মে। মমায় খুল্লিবা মখূৎ অনীদু তপ্লা লৌথোক্লগা রুমালনা মহাক্কী পিরাংশিংদু তৈথোকপীরে। মাসু ঐগী মিৎকী পি উখ্রমাল্লে;

"নঙসু কপ্লিরা দা রাজেশ! ... থম্মোয় পান্দবরা খল্লম্বনি, ঐগী ৱাখল লাল্লম্লে..."

"করিনো মকোক মমৈ শম্নদবা ৱা ঙাক্তা ... নঙবু ঙাওরব্রো?"

"ঙাওরে নঙনা ঐবু পুমঙাও ঙাওহল্লে..."

"অনুপমা অদুক হাক্লা সিরিয়স ওইনু, ইহৈ তমগদবা য়াম ৱাৎলি, তুংগীসু খল্লু। নঙ মতিক চাবী নুপী ওইনীংদ্রা, নঙদি লাইবকসু ফবীনি, শকসু চঙখোনবীনি"

"ঐ থাগৎপীবা পামদে নঙগী মীনুংশি পাম্মী, ঐবু করেম্নবীগনু দা রাজেশ। ঐ খাঙবা য়াম ৱায়, ইকায় খঙদবীসু মাল্লমগনি"

"ওহ! অনুপমা - নঙগী থম্মোয়গী ঈচেলদু শাফূ কনমনখ্রে হায়বনি। ফরে ঐ লাল্লে, ঐ অমুক হন্না ফাগি তৌররোই। অদুবু সিমদি খঙনসি - পূন্সিসে, নুংশিবসে- নোকপা-কপ্পা, ফাগি-জুগাইগীসু চন্নফম লৈ হায়বনি।"

"দা রাজেস - ঐবু ৱারৌরিরা নৎত্রগা ঐবু লাপথোক্লবা হোৎনরিরা?"

"নুপাদি লেঙদবা উপালনি, উরী ওইবী নুপীনা য়েৎনীংঙে কুসি, য়েৎনীংদ্রে মখোয়গী অপাম্বনি।" ●

# য়েলহৌমীশিংগী কুমহৌ শজিবু নোংমা পানবা চৈরাওবা লাকপসিদা

**— কোন্সম জিতেন মঙাং —**
**মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমি এৱার্দি**

য়েলহৌ ফূরুপ কয়ানা খুন্দাদুনা লৈরিবা ইরমদম কংলৈপাক (মণিপুর) অসিদা মীতোপকী লাইনীং অমত্তগী মমিং তাদ্রিঙৈ ঐখোয় য়েলহৌমী পূন্নমক সনামহি লাইনীং চৎলম্মী। মাগী-মাগী ইমালোলনা কৌনীংবা মিঙ্গৌশিং কৌনরম্মী। য়েক সলাই লৈরম্মী। শজিবু চৈহৌবা চৈরাওবগী থৌরম পাঙথোক্লরম্মী। মসিগী শরুক অমা ওইনা লাইনিংথৌ সনামহী টেম্পল বোর্দ, হয়িং খোংবালনা অচৌবা থৌদাং অমা লৌবীদুনা চৎলিবা চহী অসিদগী হৌদুনা ঈনাৎ লাইনীং চৎচরিবা য়েলহৌ ফূরুপ মীতৈ/মৈতৈ, চোথে, কবুই অমদি মরিংশিং পুনশিন্নদুনা চহী খুদিংগী ওইনা য়েলহৌ কুমহৌ শজিবু নোংমা পানবা চৈরাওবগী থৌরম পাক চাউনা পাঙথোকমিন্নবা অপূনবা কম্মিটি অমা শেমখ্রে। কম্মিটি অসিনা শিঞ্জদুনা ঙসি (মার্চ ১৯,২০২৬) বিষ্ণুপুর লম্লাংহুপী চোথে খুলদা নাৎকী ওইবা জগোয়, ঈশৈ অমদি লাইথৌশিং য়াওনা ঐখোয় য়েলহৌ ফূরুপশিং অমত্তনি হায়বা উৎতুনা কুমহৌ শজিবু নোংমা পানবা চৈরাওবগী থৌরম অমা পাঙথোক্কনি। থৌরম অসি চহী খুদিংগী ওইনা লৈবাক্কী থাক্তা মফম হোং হোংদুনা পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরি। য়েলহৌ ফূরুপ খুদিংমক্লা পুনশিনমিন্নবগী তাঙলবা মতম অসিদা লমদমসিদা লৈরিবা ফূরুপ খুদিংমক্লা কম্মিটি অসিদা য়াওশিনমিন্নদুনা থৌরম অসিবু মপূং ফানা পাঙথোমিন্নবা মতম ওইরে হায়জনীংই। লোয়ননা ঐখোয় পূন্নমক অমত্তনি হায়বদু মালেমগী মীয়ামদা মশক তাকপা মথৌ তারে। মরম অদুনা লাক্কদৌরিবা চহী অসিদগী হৌদুনা পাঙথোক্কদবা য়েলহৌমীশিংগী কুমহৌ শজিবু নোংমা পানবা চৈরাওবগী কম্মিটি অসিদা ঐখোয় পূন্নমক্লা য়াওমিন্নরসি। লোয়ননা মণিপুর লৈঙাক্তা ফেষ্টিবেল অসিবু মপূং ফানা শকখঙবিননবা তকশিনমিন্নরসি হায়জনীংই।

কুইরবা মতমদগী হৌনা লমদমসিদা অরিবা চহীগা অনৌবা চহীগা শিন্নবগী থৌরম অমা পাঙথোক্লকই। থৌরম অসিবু চৈরাওবা হায়না ঙসি ফাওবা য়ূমথোঙ খুদিংদা পাঙথোক্লরি। চৈরাওবা অমদগী লাক্কদবা চৈরাওবা অমগী মতম ফাওবা চহী অমা কৌই। চৈরাওবা শজিবু নোংমা পানবদা পাঙথোকই। 'শজিবু চৈরাওবা' হায়নরি। থা অসিবু করিগীদমক শজিবু কৌখ্রিবনো হায়বদু অরিবা লাইরিকশিংদা অসুম্না ইরম্মী : *খয়ুম লাই মরু শিদবা, মালেম লৈওইবা কোরৌ নোং ওইবগী চীরোন লাএন মাপনমবু মচী পানফোইথোক্লে হায়বগী চিনবী শজিফোয় থা কৌএ॥*

শজিফোয় হায়রম্বগী মমৈথংদা শজিবু হায়না কৌনখি। থা ১২গী মনুংদা শজিবুনা চহী হৌবা থা চৈহৌবা ওইরি। থা মশীং থিবদা শজিবুদগী হৌরগা লমতা থাদা লোইশিল্লি। মমাঙঙৈদদি অরিবা চহী লোইরে অনৌবা চঙলক্লে হায়না মীয়ামদা খঙহনবসি নিংথৌগী মথৌ ওইরম্মী। নিংথৌগী য়াথং মতুংইন্না চহী লোইবা নুমিৎ খুদিংগী খোক ৱাশাং অমগী মতোন্দা শরিক থাংলগা ফিরাল অমসু পুল্লগা ঙসি চহী লোইরে হায়দুনা নুপা অমনা লৈরক খুল্লক চংদুনা শরিক খিংদুনা কোইলাও লাওদুনা পাউজেল্লম্মী। চৈ পায়দুনা লাওই হায়দুনা নুমিৎ অদুবু চৈরাওবা কৌনখি। অসুম্না কুইনা চৎনরক্লবা চৈ পায়দুনা শরিক খিংদুনা পাউজেল্লম্বা অসি মণিপুরগী মমিং চৎলবা লাইনিংথৌ কিয়াম্বগী সনা হাক্তক্তগী তোকখি। মদুগী মহুত্তা নুপা অমা 'চৈথাবা' হায়না চহী চহীগী ওইনা হাপখি। চহী অদুগী মমিংবু চৈথাবা নুপা অদুগী মমিং লৌদুনা থোনখি। চৈথারিবা নুপা অদু লৈবাক্কী নিংথৌগী লাল্লুপ কাবনচিংবা মথৌ পূন্নমক কোকখি। অসুম্না কুমজা ১৪০৬ (খৃ: ১৪৮৪) দা লাইনিংথৌ কিয়াম্বা সনা হাক্তক্তা ইহান হান্না চৈথাখিবা নুপা অদুগী মমিং হিয়াংলোই কৌই। অসুম্না চহী ৫০০গী মমাঙদগী চৈরাওবা নুমিত্তা চৈথাবা কৌবা নুপা অমমমনা চহী খুদিংগী নিংথৌগী সনামাঙদা লৈপাক নিংথৌগী ফত্ত-হৌদি মানা পুজগে হায়না লাওই। কিয়াম্বা সনা হাক্তক্তা চৎনরম্বা লাওবগী মরোল অদু হৌজিক ফাওবা করিমত্তা কায়দনা লাওরি। লাওরিবা মরোলশিং অসিগী মনুংদা থায়নদগী হৌনা কিয়াম্বা সনা হাক্তক ফাওবা চৎনরম্বা চৈদা শরিক থাংদুনা খুল্লক লৈরক্তা কোইনা পাউ চেল্লম্বগী ৱারমসু য়াওরি। লাওবগী মরোলদি হৌখিবা চৈরাওবদা চৈথাখিবা নুপা অদুনা অনৌবা চহীদা চৈথাগদৌরিবা নুপা অদুগা মখোয় অনী অদু মাগী মাগী মরোল হায়নদুনা নিংথৌগী সনা মাঙদা লাওই। নিংথৌবু খুরুমদুনা নিংথৌদা মায় ওনশিন্দুনা খুকউ লৈতাদুনা হাকুমগী চৈথাবনা য়েত্তা, কুমশি চৈথাগদৌরিবনা ওইদা ফম্মী। য়েত্তা ফল্লিবা হাকুমগী চৈথাবনা হান্না লাওই। (ৱারোলদি থমজদ্রে)

অসুম্না লাওদুনা লৈপাক নিংথৌগী ফত্ত হৌদি পূন্নমক উশিল ওইখ্রবা নুপা অদু চৈরাওবা মতুংদগীদি চহী অদুমদি নিংথৌগা শক উনবা য়াদে। কুম অদুমদি মহাক থবক অতৈ তৌদ্রে। অমুক চৈথাখ্রবা নুপা অদু অমুক হন্না চৈথাদে। মমাঙঙৈদা চৈথারিবা নুপা অদু লৌ পরি অমগা অতৈ পোৎলমশিংগা পীরম্মী। মমৈদা লৌগী মহুত্তা মশাগী লৈজবা লৌ পরি অমা মপূন্সিগী ওইনা খাজনা কোকপীরম্মী। মতুংদা শেল ওইনা লুপা ১০০ পীরম্মী। হৌজিক্তি তোঙান্না চৎনবী লৈখ্রে। চৈরাওবা নুমিৎকী অয়ূক্তা মাইবা লোয়শঙগী মীনা লৈমা নিংথৌগী উশিন শিল্লি। মাইবীনা সনা কোনুংগী মায়কৈ মরিমক্তা শরোই খাংই। থাংজ অরোইবা নৎত্রগা হয়েং চৈরাওগনি হায়বগী নুমিদাংদা মাইবা লোয়শঙগী মীনা মায়কৈ মরিমক্কী লমদাইবুংদা লমতু তাই। হৈপোক চিংদা চত্তুনা নুমিদাংৱাই শিংনাং মতেক অমমম পায়দুনা ঈরাৎ থৌনিদুনা লৈবাক নিংথৌ অমদি লৈপাক্কী য়াইতোং খমদোংবশিংগী মমিং মথা হায়দুনা শিংতেক শিংথারকই। অসুম্না শিংথারুবা শিংতেকশিং শত্তুনা অমুক পুরকই। মসিবু শিংতেক শিংথাবা অমসুং শিং শৎপা হায়না কৌই। খ্বাইদগী হেন্না লুবা হেনবা নুমিত্তি চৈরাওবনি। য়েলহৌ ফূরুপ পূন্নমক চৈরাওই। চৈরাওগদবা নোংমা নীনি ৱাৎলিঙৈদগী য়ূম খুদিংদা লৈবা মীশিংনা শেৎন-ইন্নবা ফমুংগী ফিরোলনচিংবা পূন্নমক শুদোক চামথোকই। য়ূমগী লৈকাং মিরাংনচিংবা কন্থদুনা ফক্লাং ৱাই তৈথোক্লে। ইঙ্খোল অমদি থোঙ্গালদগী অমোৎ অকায় পূন্নমক শেংদোক খোত্তোক্তুনা তরু তহেন্না লৈনৈ। চৈরাওবা হয়েংনি হায়বা অদুদা মী য়াম্না কৈথেল কানৈ। নুমিৎ অসিবু 'চৈরাও কৈথেল' হায়না খঙনৈ।

চৈরাওবা নুমিত্তা চেঙ চগেম খরদা য়াইঙং অমদি য়োৎশবীগী হামুক তোৎলগা ইঙ্খোলগী অকোয়বদা কুম অদুগী মতিন মকাং ফত্তবা চংলক্তনবা চাইথোক্লে। য়ূম য়ূমগী সনামহি লৈমরেলদা হৈ-লৈ, অথুম-অহাও অমদি নুমিত্তুদা থোংগদৌরিবা হৱাই, চেঙৱাই, মনা-মশিং পূন্নমক কত্তুনা খুরুম্নে। মী খুদিংমক কোক-লূ তুমথোক্তুনা ইরু মাইথজদুনা অশেংবা ফিরোল শেৎতুনা পূক্লিং ঈংনা-তপ্না লাই তিন খুরুম্নে। মচা মশু ওইবশিংনা নোঙ্গাখ্রবা অহল লমনশিংনা শীজিন্নরম্বা নীংশিং খুদম ওইরবা পোৎশিং পুথোক্তুনা লাই ওইখ্রবা অদুবু ইকায়খুম্নবা উত্তুনা নুংঙাই য়াইফনা পূন্সি নুংশাংনা পানবা ঙমজনবা খুরুম্নে। চৈরাওবা নুমিত্তা ইমুং-মনুং খোইরাং খোইশাওনবা, খৎন-চৈনবনচিংবা তৌনদে। সনামহী লৈমরেলদা কৎলবা চেঙ, হৱাই, চেঙৱাই, এঞ্চাং-নাপীনচিংবা থোং থাকপা লোইরগা চারমদাইদা ইমুং অদুগী অহল অদুনা মাগী থোঙ্গাল ৱাংমদা চাক্লুক ১/৩ মাগী য়ূমদা থোংবা মথেল শুনা হাপ্তুনা থাদোকই। মসিবু চৈরাওবগী 'লাই চাক থাবা' হায়না খঙনৈ। লাই চাক থাবগী লাইরোলদি (অশন্বদা) : ইরম মাবা তুমাবা, ইরম শেংবা তুশেংবা, কুম সনা কুমলিক লাই, হনুকোকচাও হনুলৈখম, খুন্দা অহানবা লাইবুংথৌ তরেৎ, লাই নুরা তরেৎ উমংলাই শরোই ৬১ মক নখোয় নখোয়গী নফমদা ঙমজবা চেঙলৌ মথেল, লুকোই কয়া লাংজদুনা কৎচরি। সনা নিংশা ইহুলনা লৌশিনবীয়ু হাবীয়ু হায়দুনা খুরুমজরিয়ে। ননাইগী ইমুংদা লৈজরিবা নচা ননাইশিংবু শিংতেক-শিংথাবদা য়াওহনবীগনু, শিংশৎপীরম্মো। অরিবা থাজনা খাদা থং, অনৌবা থাজনা হেকমাই কারকপগুম ননাইশিংনা তৌজরিবা হীরম খুদিংদা পজেং ফিরাল থেৎপা, শামু মীকোক থোংববু থৌজাল লন কুবীরম্মো। হা হু হৈ হে হিং। অসুম্না লম অদুবু কোল্লিবা শেল্লিবা লাই অদুদা লাক্কদৌরিবা চহী অদুদা ইমুং অদুদা অনা অয়েক, ফত্ত হৌদি, অকাই অতোই থোকহনবীগনু হায়জদুনা লাইচাক থাদোক্লবা মতুংদা থোংলিবা মথেলশিং অদু মচিন মনাও য়ূমলোন কৈরোন্নবশিংদা থিন্নৈ। ইমুং অদুগী মীশিংনা হরাও তয়াম্না পূক্লিং পেন্না চাক চামিন্নৈ। চাকচা তোক্লবা মতুংদা পাখঙ লৈশাবী, অঙাং-নুবী, অহল-লমন কয়ানা চৈরাও চীং কানৈ। মমাঙঙৈদদি চৈরাওবা নুমিৎকী মতুং নুমিৎ মঙানিদি থবক ইনখাং শুদনা হরাও কুম্মৈ তৌদুনা পূক্লিং নুংঙাইনা মতম লেন্নরম্মী। মসিবু শিলহেনবা কৌই। হৌজিক্তি শিলহেনবা নোংমগী ওইনা পাঙথোক্লরে। ●